ৱারী ককনাউ

# ঐ য়ূম পাল্লরোই

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—**

***বিনাশ্বরি*** চহী ২৯ শুরবী লৈশিল্লবী লৈশাবীনি। থবক মচা অমা তৌরি। মদুসু মদাও য়াবা হায়দুনি। শেলগা তিংঙগা তৌখিবা নত্তে। শোয়বদগীরা কৈগীনো খল্লকপনি। মাদি থবক খল্লে হায়দু শুংথা থাজখিদে, মমান্নবী অমনা মাগী মিং য়াওই হায়না কন্না হেক হায়দুদা য়েংলুবদা য়াওরম্বনি। বিনাশ্বরিনা খনখি, শেল পীবসু নত্তে, ৱানোম্বসু নত্তে, কমাইনা খল্লকইজাৎনো, শোয়রম্মে হায়না অমুক ওর্দরদু ককখ্রদি চোপননি হায়না জোইন পাক তৌদে, ময়াম্না তৌশিল্লো তৌশিল্লো হায়বদগী তৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদি অদুম বেরা চক্রি থাংনদনা থবক তৌরি। মরম য়াম মোকই। মপা লৈখিদ্রে, মমা লৈরি খরদি শোল্লে। মৌপ্পা নুপা অমা মপান্দা লাইরিক তম্লি। বিনাশ্বরি লৈশাবীনি হায়দু ঙাই, নুপীমচা লৈশাবী অমা ওইবগী কেবা-মৌবা, ইথক-ঈরাং অমত্তা য়াওদে। নুপা অমতগা হৌজিক ফাওবদা মরী লৈনরক্ত্রি। নুপাদৌনা খোঙ্গ্রাও অমা শেৎলগা পংলৈ লৈবনি। মাগী হায়বু থবক চৎলুবা, হল্লকপা, ইমুংগী থবক ইনখাং তৌবা, মমা অশোনবীগী থৌগল তৌবা সিনি।

হন্দক্তি বিনাশ্বরি য়াম কেরে, নুপী য়াম মাল্লে, মমাইদগা য়াম তৈরে। মমা অশোনবীদুনা খল্লি, *"কৈনো ঐগী ইচানুপীসি হন্দক মরকসিবু ইহোং হোংইদা"*। অদুবু মমাসু কৈমতা হায়দে। মাগী নহানৱাইগী মতৌদুদা য়ূম পানগনি হায়বা থাজরুদ্রবনি। অদুবু হন্দক হোংলক্লিবা মাগী মতৌদুদা ময়ূম পাঞ্জখ্রদি ফরনিদা খন্দুনা মমাদি হরাউজরিবনি। লাইনা ইনশিল্লকপরা কৈনো বিনাশ্বরিগী পুন্সিদা বসন্তগী য়েন্নিং অমুক্তা চোংলক্ত্রবদু, থেংলবসু থেংনা বসন্তা হায়দু মাগীসু য়ৌরকখি। মখোয়গী ওফিসতা থবক তৌমিন্নবা পাখঙ অমখক থেংনরুই, পাখঙদুসু মোং হাদে, ইচম চম্মী, তৌথোরকপা থবক্তদি নুপা থোকই। মদুদা ওইরে বিনাগী মমঙ-মহাদা তম্নরিসে। অহিং হায়সিমা তূম্বা শুংয়া য়াদে, মাই মমিত্তা পাখঙদুতা উদুনা লৈরিসে। থবক চৎপদা পাওদর থাদুনা চৎপা হৌরকইসে, চিনবাদ্দা লিপষ্টিক তৈরকইসে। লৈকায় মীনসু অদুম চিবোন-চিবোন হায়নৈ, *"বিনাসে হন্দক মওং অমা তৌরে"* হায়না। মাগী ৱাখলদু নুপাদুদি খঙদে, শুপ্নতগী বিনা-নতা খঞ্জবনি। ওফিস পূনবনিনা অদুম থেংনৈ কৈমতা হায়বা ঙমদে। কমাইনসু ঙমলুনি লৈশাবীনা নুপাদবু হৌরুগদ্রা?

নোংমদি পাখঙদুগী মোবাইল নম্বর অমা তাঞ্জা চাদুনা ফংবদগী নুমিদাং অমা পাখঙদুগী ৱাটসঅপ য়াওরমদুনা মেসেজ ওইনা, *"দাদা ঐ নঙবু তশেংনা নুংশি, রেসপোন্স অমত্তা পীবিয়ু"* হায়না ইদুনা শান্নবদগী শোয়দুনা মেসেজদু নমশিল্লুবদগী চৎখ্রে। শ্বাই লাউই। অদুবু উপাই লৈতে। পুঙ্খায়মুক লৈরগা নুপাদুনা মেসেজ হল্লকই। *"কৈনো নঙনা হায়রিসিবো, ঐদি ইমানা নুপী অমা হায়নদুনা লুহোংদৌরে, শাওগনু, খিত্তং থেংখ্রে"* ৱাদু তাবদা বিনাশ্বরি মকোক্তা নোংমৈ শিংজং চাম্মনা য়ৈথরকপগা চপ মান্নখ্রে। শুক ইকায়না ইরুরগা শাথিনা চোপ্লবা। অরোইবা ওইনা মহাক্কী পূক্নিংগী ৱা পূম্নমক নুপাদুদা শেংনা লীরে, মা য়াম্না কপখি অদুবু নুপাদুদি লুহোংবগী ইনভাইটেসন নমখ্রবনিনা কৈসু উপাই লৈখিদ্রমাল্লে, *"বিনা, ঐবু ৱারৌগনুকো, ঐ নঙগী মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমদ্রে"* হায়রকই। মহাক নুমিৎ মঙানি ছুটি লৌদুনা ওফিস কাখিদ্রে। নুংঙাইত্রমাল্লে, নুপাদুনা ওফিস কাদ্রি করিগীনো কারকউ হায়না হায়বদগী ইকায় ইকায়না ওফিস কাখি। অদুবু বিনাশ্বরি হান্নগীদু নৎত্রে। লিপষ্টিক তৈখিদ্রে, পাওদর থারকখিদ্রে। খোঙ্গ্রাও অমা শেৎলগা কারকই। নুপা হায়বা জাৎসি অমুক য়েংলরোই খনখ্রবরা কৈনো। মহাক মশা নুপীনি হায়বসি কাউখিবগুম তৌখ্রে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১। মখাগী অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈ অনীসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) কাইবী (খ) আরে

২। "বসন্ত ওইগেরা.../ঐ করিসু ৱারৌজদে/মরমদি...।"
ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?

৩। "ঐনা ফম্লি/ঈশিং কংলবা পুখ্রিচৌ মপান্দা/অদুঙৈ...।"
ৱাহৈশিংসি কবি নুপী কনানা হায়বনো?

৪। 'ফক্লাংদা থোংনাউ মচা অমা ফাৎলম্মী' মীতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৫। 'মাইনু পেমচা' দ্রামাগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬ কী পাউখুম
মরি চুম্না থাবীরকখিবদি

১। *নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়* (৪)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৬ কী ৱিন্নর**

*নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ৩৬ কী খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

জানুৱারী ০৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬ কী পাউখুম

১। 'অনৌবা পাউ অমা' উপন্যাস অসিগী অইবদু কনানো?
ঃ- পাচা মৈতৈ

২। 'খোঙদাফম লৈত্রবা লৈমায়' ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
ঃ- নবকুমার নোংমৈকাপ্পম

৩। "য়েন্নিংথা নঙনদি হায়রি/নুংশিবা খম্বা লৈত্রবা ঈফুৎনি/ঐনসু অমুক হংলি।"
ৱাহৈ পরেংশিং অসি অইবী কনানা হায়বনো? ঃ- বরকন্যা

৪। শিবানীগী 'কিশনুলী' উপন্যাস মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপগে?
ঃ- অরিবম কৃষ্ণমোহন শর্ম্মা

৫। 'হরে কৃষ্ণ, হরে কৃষ্ণ' দ্রামা অসিগী অইবদু কনানো? ঃ- হিজম গুণ

লমকোয় ৱারী

# পুন্সিগী খোঙচৎশিং নীংশিংলকপা

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

**হোলেঙদা নো টাইম... থৌদোক অমা**

হন্দক লৈরিবা মফম অসিমদি সিটি মনুংনি। ঐখোয়না লৈরিবা হোটেলসি য়াম্না চাওই। মখাগী গ্রাউন ফ্লোর অসিদা রেষ্টুরা, বার চাওনা হাংদুনা লৈ। মসিগী নাকল অমদা ঐখোয়গী কাখৎফম থাক লৈ। পর্ফোমেন্স লৈতবনা, নুমিৎতু হোটেল মনুংদগী মপাল থোকলকই। হোলেঙ্গু য়াম্না ঈংঙি। অথাবা জেকেট লিৎত্রগদি মপান থোকপা ঙমদে। নুমিৎকী লুম্বু শাবা মৈশানা য়ৈবদা হকচাংদা নুংঙাইবা ফাওই। ঐখোয়না লৈরিবা মফমদগী হৌনা, পরেং শানা দুকান ময়াম লৈখ্রি। দুকানশিং অদু ময়ান-তুয়ান লোয়না তৌই। অতৈ মফমদা উদবা খরদি লম্বীগী মতাইদা ষ্টেন্দ পান্দুনা ফোটো কার্ড ময়াম অমা য়োনবা উই। ফোটো কার্ডশিং অসি নুপী-নুপা ঙাক্তগী মশকশিংনি। ময়েক শেংঙি। ফোটো অদুদা উৎলিবসি মখোয়গী শমহাৎ, ষ্টাইল অদুগী ওইনা তৌই। ফোটোদা উরিবা শক্তমশিং অদুগা চপ মান্ননা লম্বী লমজাওদা মী য়াম্না চৎলম্মী। মখোয়শিং অসি পঙ্ক (PUNK) কৌই হায়। পঙ্ক করিনো ঐদি হান্না খঙখিদে। ঐগা লৈমিন্নরিবা মরুপ সোমোনবী অমদি লোকেন থিয়ামদি হান্না খঙলম্মে। ঐসু মখোয়না হায়বদগী খঙবনি। ঐহাক্তী মখোয়সি অতোপ্পা কাঙলুপকী মীওই, কম্যুনিতি অমা ওইনা উরুই। মী পাংচাও চাওদে, কুচুদি ঙৌবদা ময়েক শেংলে। ফুরিৎ অমুবা জিন খোঙ্গ্রাউ অমুবা শেৎনৈ। ঙৌরোক-ঙৌবা কুচুদা, অমুবা সুট তৌবদি য়াম্না ফজে। মশমশিং অদুনি ময়াম্না য়েংনরিবসি। মশম নাকল নাম্মা হীগোক মচু শংঙি, নাকল অমনা নাপু নত্রগা অঙাঙবা শঙঙি। মমাং থংবা মশম শাংনা উরোক মচিনগুম্না তুমহল্লি। নুপা-নুপী লোইনমক ইমান-মান্নে। মনাদা চুম্নগী সনা, ইয়ার রিং য়ান্নদে, খোংউপ মচা, কৈগী খুজিন ময়া, অঙক-অঙকপা দিজাইনগী পোৎশিং ইয়ার রিং ওইনা য়াল্লি। ঙৌরোক-ঙৌবা মপাম্বোমদা দ্রেগোন টটুইং তৌদুনা য়েকই। ফুরিৎ-খোংগ্রাউ খুকউ শেগায়বা শেৎনৈ। চহী নৌরিবা নুপামচা, নুপী মচা ঙাক্তা ওইনা লোইনা উই। মখোয় লোইনমক চুরুপ থকই। মসিমদি হেক উবদা তাইনফম খঙদনা, ইথন্তা পংশাওদা শাওনিংঙি। লম্বীদা মখোয় মশেল, খুনু লাবা অমোমগুম, লেঙ্গোন্নদুনা, ঙাথু-থেংথুনদুনা চৎলি। মিমাং-পোমাং নাইদবা লমচৎসু য়াম্না উই। লমজাওদা লাঙদুনা ঈশৈ শক্লগা চৎলি। পুলিসনা মখোয়দা করিসু হায়দে, য়েংলগা অদুম লৈ। মসিমদি চাউখৎপগী খম থেংবা হায়বদু ওইরমাল্লে। ঐখোয় মশেল, মখোয়গী মরমদা ৱারী শানখি, ঙাঙনখি। অদুক য়াম্বা খোঙচৎতা অদুগুম্বা অমুক্তা থেংনরকখিদ্রি।

ইঙক-ঙক্লা মখোয়শিংদু য়েংলিঙৈ, ঙ্রুং-ঙ্রুং ঙংনা লাকপা মখোল অমা থাপ্পা তারকখি। লম্বীদা চৎলম্বা ময়াম কোইচেন চেন্নে। হাংলম্বা দুকান থোঙ লোন্নবা য়াওই। ইম্ফালদা কার্ফিয়ু মতম লাকপগী, পুলিস কমান্দোশিংনা চৈ পায়দুনা মীয়াম তানখায়বদু নীংশিংলকই। মদুমক্তি নত্তে। মখোল অমা ঙংনা লাকপা তাবদা ময়াম চেন্নবনি। চেন্নবগী মরমদি খঙদে অদুনা ঐখোয়দি লেপ্তুনা অদুম মফমদুদা লৈখি। পোৎয়োনফম খরদি থোঙ তঙ্খায় অমা হাংঙি। ঐখোয়সু ইঙক-ঙক্লা য়েংলি, চেনবদি য়াওখিদে। ঐখোয়না লেপ্তুনা লৈবদা, হোটেলগী ৱেটরনা মনুং চঙলক্লবা কৌশিল্লকখি। ঐনা করিগীনো হংবদা, ৱেটরনা য়াম্না লোন্না মীরক-নারক য়েংলগা হায়রকখি- "বিগ মেন আর কম্মিং।" মহাক্কী ৱাহৈদু ঐ খঙবা ঙমখিদে, ঙক্লা হংখি- "হ্বাট য়ু মিন ?" ৱেটরদু ইফিং-ফিংঙি, "নো টাইম।" হায়রম্লগা চেনশিনখি। ঙসাই তাখিবা মখোনদু হৌবা অসুম হেনগৎলকই। ঙংলগা ঐখোয়গী মাইকৈ অদোমদা লাকপগুম তাখি। লমজাওদু ইহাঙ-হাঙলে। মী ইচৎ-চৎপা উদে। ঙাইহাক্কী মনুংদা লমজাওদু পীক থন্না য়াওশংগী নুপামচা ময়াম্না বাইক তোংলগা য়াউশং কোয়রকপগুম, মোটোর সাইকল ময়াম থৌরকপা উখি। তোংলক্লিবা মোটোর অদু ঐখোয়না অমুক্তা উদ্রিবা মওং ঙাক্তনি। টাইয়ারশিং মতু চোম্মী, চাওই। মোটোরগী হেন্দলশিং নারুম য়ৌনা ৱাংঙি। মনিং থংবা শরুক ৱাংঙি। মোটোর অদুগী মনীং থংবা শরুক্তা কারগুম্না ফম্ফম য়াওরি। মনীং অদুদা নুপী অনী অহুম তোংঙি। থৌরিবা নুপা অদুগী মরেংবান্দা, মরোল নাইনা মী অনী অহুম অমসু তোংখৎলি। লেপ্লগা থৌবা মীসু য়াওই। সর্কসসু মাল্লি। কনানা নুপা, করম্বনা নুপী খন্দোকফম খঙদে। চাউরাক্লা গ্রুপ ওইনা লাক্লিবা অসি মী কুন্থ্রামুক্কী ওইগনি। ঐখোয়না লেপ্লিবা মফম অদু চপ চানা খাল্লে। মখোয়না হেক খাম্বগা, মফম চানা থমলমদে। মোটোরশিংগী স্টেন্দ হায়গৎতনা ইন্থুদুনা থনম্লগা, থৌশাদনা ঐখোয়না লৈরিবা হোটেল মনুংদা লোইনা চঙলকখি। বাইকশিং তুদুনা লৈহৌবা য়াওখি। বাইকশিং অদুগী সিসি ১৫০০ অমদি ২০০০ সিসি ঙাক্তনি। মপাঙ্গল লৈবা বাইক ঙাক্তনি। মখল য়াম্মি। অচৌবা, ফোর হুইল্লর য়াওই। ফোর হুইল্লর অদুদা পেট্রোল ড্রম খরসু য়াওবা উই। নুপা খরদি মখুৎতা অশাংবা চেন পায়। মতম অমা য়েংখিবা সিনেমা "মেদ মেক্স থ্রি" হায়বা ফিলম অমা নীংশিংহল্লি। কোইচৎ চৎপা জিপসিগুম্বা, হিপিগুম্বা কাঙবুগী মওংনি। মখোয়বু মীয়াম্না কিনৈ, হঙ্গোইবগী মতৌ অমসু উবা ফংই। মখোয়সি পৈশা পায়বা মচা-মশুনি হায়নৈ। মখোয়গী লমচৎ-শাজৎ অসি ঐ য়ানিংখিদে। এদস লায়না শন্দোক্লিবসি মখোয়গুম্বশিংদগী ওইরমগনি খনখি। হোটেল মনুংদনা অমুক, কাওবোই ফিলমগা চপ মান্নরম্মী। চঙখিবা ময়াম অদুনা হান্না ফমদুনা লৈরম্বা মীশিং লোয়নমক তান্থোকপীরমখি। মী ফল্লিবা টেবলদা পুং থীনজিল্লি। মথক্তা কাখৎতুনা জগোয় শাজিল্লি। হোটেল মনুংগী উপু মনুংদা লৈবা য়ু লিক্লিশিং লৌথোক্তুনা থুগায়খি। হোটেল মপু করিমতা তৌবা ঙমদে। মখোয়শিংদু কুইনদি লৈরমখিদে ময়াম মরক অদুদগী নুপা অমনা পর্ম্নেল চ্যেক অমা পুথোকলক্লগা হোটেল মপুদা, মখোয়না থুগায়খিবা, মাঙহল্লিবা ময়াম অদুগী মমল হংলি। মপুনা মমল হায়রি নুপাদুনা পৈশা মশীং চ্যেক বুক অমদা ইরগা পীরি। মখোয় থুনমক হান্নগুম বাইক তোংদুনা মাইকৈ অমদা চৎখি। মফম অদুদা পঙ্কশিং অসিনা অসুম্না লাক্তুনা তৌবসি চৎনবী, মখোয়গী নুংঙাইবী ওইরম্মী। পৈশা পীদনা চৎখিবা, অকন-অরেংগী শাজৎ অদুদি নৎখিদে। মখোয়না পীরম্লিবা, ইরমলিবা পৈশা অসি চাওনা-চাওনা পীবা ওইরমখি। অদুনা হোটেল মপুশিংনসু হরাউনা য়াখি। মখোয় হেক চৎখিবগা থোং তপ্পা হাংনবা হৌরকই। ইমুংদা লোৎনরুবা মীশিং থোক্লরকই। ঙাইহাক্তি, গ্রহ লাকলুবগুম পুমচিক চিকলম্বদু অমুক মী তিনখৎনরকই। মসিগী মওংসিমদি অঙকপনি। সিনেমাদা উবদু মঙাই। করিগী মীয়াম্না পঙ্কশিং অসিবু কি-হঙ্গোইরিবনো ? মখোয়গী লৈবাক্লা, মখোয়গী পুলিসশিংনা মখোয়গী শাজৎসি য়ারিবসিনা করিগীনো ? মসিগী মরম চাওনা লৈরমগনি। মসিবু চাউখৎপা লৈবাক অমদা হেকমক চৎনবা য়াব্রা ? মখোয়দা চৎনরিবা কাংলোন অসিনা করিনো ?

পার্ক অমদা ঐখোয় য়েংবা অমুক চৎলুই। মফম অদুদসু পঙ্ক কাঙবু অমা য়েংবা লাকলম্মী। ময়াম্না, মরুওইনা নুপীমচাশিংনা মখোয় উবদা চেন্নে। অতৈগী ওইখিদে, নুপীমচাশিং অদু পঙ্ক নুপা মচাশিং অদুনা ফারগা চুপথোকই, মনাক্তা লৈরম্বা ঈশিং টেঙ্কিদা লংথৈ। নুপীশিং অদুনা চোৎনা কারকপা উরগা মখোয়না পেন্না নোকই। মসিদি খৎনফম থিবনি অদুবু মখোয় খৎনখিদে। নুপীমচাশিংদু চোৎনা চোৎনা অদুম চৎনখি। মদু উরুবদা সোমোনবী ঐখোয়নি ঙাঙনৈ, "ঐখোয়গী নুপীমচাশিং মফমসিদা য়েংবা লাকলমদবসি লাইবক য়াম্না ফৈ। অসুমাইনা ঐখোয়দসু তৌরকলবদি ঐখোয়গা খুৎ শোয়দনা থোক্করমগনি।" চৎনবী হায়বসি য়াম্না লুই। ঐহাক মখোয়গী পঙ্ক হায়বসিগী মরমদা খঙনিংবা হেনগৎলকখি। মফমদুদগী হল্লক্লগা হোটেলগী কিয়ার টেকরদা মখোয়গী মরমদা ৱা হংখি।

***(মখা মথং নোংমাইজিংদা)***

***(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)***

# শুসি ঐখোয়সু থবক



**খাঙেম্বম চন্দ্রমালা দেবী**

*খুরখুল অৱাং লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

***খঙ্গংগী*** য়াম্না লায়রবা ইমুং অমগী মচা ওইরিবা চাউবা শুফম নোমফম খঙদনা লৈরম্মী। মীওইবা অমা ওইনা পোক্লুবনা চাদবদি য়াদবনিনা মহাক্লা হিংনবগী লম্বী থীবা হৌরকই। মহাক্লা অসুম্না খনখি, "মণিপুর সনা লৈবাক অসি থোকউ হায়বতা থোকপা লমদমনি' অদুনা ইম্ফাল কাদুনা শেল তাল্লগে খন্দুনা ইম্ফাল কারকখি।

চাউবনা ইম্ফাল য়ৌরবা মতমদা উখি মীতোপ মীয়ানচা কয়ানা থেলা চিংদুনা পোৎ চৈ চিংবা, অফং অফংবা থবক কয়া শুনবা। মহাকসু মীনিনা খঞ্জখি, 'মখোয়না তৌবা ঙম্বা থবকসু ঐসু করিগী ঙমদনি' চাউবনা কৈথেলগী পোৎলক্তা চঙদুনা থবক শুজগে হায়জখি। পোৎফম ফম্বীনা হায়রকখি, নঙগী থবক লৈতে ঐখোয়গী বায়া লৈ, নঙনা তৌবা ঙল্লোই। চাউবনা নীংঙমদা থোরক্তুনা কোয়েং কোয়েং য়েংবদা শামু মখোঙদা ময়াম ফম-ফমদুনা লৈবা উই। মহাকসু চঙশিন্দুনা ফম্মী। চাউবনা ময়াম্না তৌরিবা মওংদু মুন্না য়েংঙি। গাড়ী লাকপা উবা য়াদে, চেনশিন্দুনা হংনৈ করি করিনো ৱারী খরা শান্নরগা গাড়ী তোংদুনা মখোয় অনী অহুম হেক্তা চৎখি, মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়াম মথং মথং লোয়না চৎনখি। মতমদুদা মখোয় অহুমখক লৈহৌই। মদুদা মহাক্লা চঙশিন্দুনা হংই, ইতাও অনীবু মফম অসিদা কৈদৌবিবনো? লৈরম্বা ময়াম অদুনা গাড়ী তোংদুনা চৎখ্রিদুনা কদায়-কদায়দনো? মখোয় অনীনা খুল্লকখি, মরুপ্পু কদায়দগীনো, ঐখোয়দি মফম অসিদা লৈদুনা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুবনি। মখোয় ময়ামদুসু ঐখোয়গুম্বা ঙাক্তনি। মখোয়না চৎখ্রিবদো থবক্কীনি। চাউবনা ঐসু ইম্ফালসিদা থবক অমত্তা শুগে হায়না লাকপনি। ঐদি অরাপ্পা খুঙ্গংদগীনি অদুনা ঐদি মফমসিগী চৎনবী অমত্তা খঙজদে। হায়নরিঙৈ তালক অদুদা কার তোংদুনা নুপা অমা লাকখি মদুদা ফল্লম্বা মখোয় অনী অদু চেনশিনখি অদুগা চাউববুসু কৌদুনা পূন্না চৎখি। নুমিৎ অদুদা চাউবা শেল ফংদুনা পূক্নিংদা হরাউবা, নুংঙাইবা পোকখি। নুমিৎ তাশিল্লক্তুনা মমশিল্লক্লম্মী। নুমিদাং ওইরক্লবদা মহাক কোয়চৎ চৎলি, চাফম তূম্ফমগী মফম খঙদে। অরাম খৌরাংবা পোল্লকই। মতমদুদা লাপ্পা উখি মী খরা পুন্দুনা লৈবা। চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা চাক হোটেল ওইরম্মী। চঙশিন্দুনা মহাকসু চাক চাই। চাবা লোইরগা থোরকই। পোৎলক্তা চঙদুনা কোয়েং য়েংঙি। মরক্তুদা কাংখল খন্দুনা মী তূম্নবা উই। হায়দোক্তুনা য়েংলুবদা মীতোপশিং ওইরম্মী। চাউবনা থোরক্তুনা কৈথেলগী মচি অমদা কার্টুন বোক্স খন্দুনা তূমখি।

মহাক্লা মীকপ থোরকপদা গাড়ী মখোল, মীনিলখোল তারকখি। মহাক হন্না তূম্বা য়াদবদগী মহাক ফুক হৌগৎতুনা য়েংঙি। মদুদা গাড়ীশিংদা পুখৎলকপা মনা-মশিং, অচা-অথক কয়া হোনজিনবা উরম্মী। চাউবসু চঙশিন্দুনা হোনজগে হায়জৈ অদুবু তাবীদনা মখোয়গী হান্নগী লৈরম্বা মীশিং কৌদুনা হোনজিলহনখি। মদুদা চাউবনা নীংঙমদনা থোরক্তুনা কোয়চৎ চৎলম্মী। চৎলিঙৈদা অহল ওইরবী নুপী অমনা কৌরকই, চেনশিন্দুনা হংই ইমা করি তাকপীগদবা, অহলদুনা ইবুংঙো পোৎসি নাগামপালদা খরা পুসি হায়রকখি, মদুদা নোকফেৎ তৌরগা হোয় য়ানি ইমা। মহাক্লা পোৎতু থাঙ্গৎতুনা পুই। মফম অদু য়ৌবগা পোৎ থম্মী অদুগা অহল অদুনা ফুরিৎখাউদগী তরা চৎপী অহুম লৌথোক্তুনা পী। তুংলোমদগী পোৎয়োনবী নুপী অমনা অমুক কৌদুনা পোৎ হোল্লি।

নোংমা নোংমা হৌখিরম্মী। চাউবনা মানা ফংজরকপা শেলশিং অদু পুথোক্তুনা মশীং থীদুনা য়েংঙি। চাউবনা খল্লি, শেনফমশিং অদুনা অপীকপা কারবার তৌদুনা অমুক্কা হেন্না শেল তাল্লগে হায়না। চাউবনা ইম্ফালগী গলি অমদা হোটেল হাংদুনা চা, বোরা য়োন্দুনা অহেনবা শেল তাল্লি। ঙৈহাক শংবা কান্দা পোৎ চৈ হোন্দুনা মতমবু য়াম্না লিক্লা শীজিন্নে। চাউববু য়ারমদবা মীপুম খুদিংমক্লা মহাকপু লূনা চান্না খনবা হৌরক্লম্মী।

চাউবগী মতৌবু তম্নদুনা মীতৈ মচা কয়া অমা মাগী মতুং ইন্দুনা মানা মানা ঙমজবা থবক শুদুনা শেল তানবা হৌরকই। কৈথেলগী পোৎফম ফম্বী ময়াম্না চাউবা খঙদবা য়াওদ্রে। মীতোপ মীয়ানচা কয়ানা চাউববু কল্লকপা, খম্বনবা পোক্তুনা য়েংশিনবা হৌরক্লম্মী। চাউবনা ফল্লিবা হোটেল অদু ফাওবা মখোয়না মুন্নবা হোৎনরকখি। চাউবনা ফল্লিবা হোটেলগী মপুগা উনদুনা শেঞ্জাও পায়বা বিহারদগী লাক্লগা ফিরোল য়োন্দুনা ফম্বা অমিৎকুমার কৌবা মীয়ানচা অমনা শেনফম চাউনা পীদুনা মহাক্লা হোটেল অদু লৌশিনখি। চাউবনা হোটেল হাংদুনা লৈরিঙৈদা অমিৎকুমার লাক্তুনা হায়খি-

অমিৎকুমার ঃ হে চাউবা নঙ হোটেল করিগী হাংলি, কনাগী অয়াবা য়াওই?

চাউবা ঃ কৈনো বায়া অমিৎকুমারনা হায়বীরিবসিবু। ঐদি পাবুং থোইবগা হায়নরগা ফমজবনি।

অমিৎকুমার ঃ হোটেলসে ঐনা লৌরবনি। ঐ থোইবা কনানো খঙদে। নঙ হয়েংমক হোটেলসে হোংদোক্কদবনি হায়রম্লগা চৎখি।

চাউবা নিঙমদনা মুন্না য়েংদুনা লৈহৌই।

নুমিদাংগী মতম ওইরক্লম্মী। চাউবা অহিং অদু তূমথবা য়াদনা ৱাখল কয়া খন্দুনা অহিং অদু হৌখিরম্মী। নোং হেক ঙানবগা চাউবনা হোটেল মপুগী ময়ূমদা লাক্তুনা হংজৈ, মপুদুনা অসুম্না খুল্লকখি।

থোইবা ঃ চাউবা ইপাবু ৱারৌগনু, ঐনা নঙগী ননাক্তা লাক্লগা হায়গে খন্দুনা লৈরম্বনি। ঐনা হোটেল অসি অমিৎকুমারদগী অচৌবা শেনফম অমা লৌদুনা য়োন্থোকখ্রবনি। ঐখোয় মীতৈ মচাদা য়োনগে হায়রবদি খজিক্তা পীগে হায় অদুনা তাঞ্জা চারিঙৈসিদা য়োনখিবনি, নঙ শাওনুকো চৎলো-চৎলো।

চাউবনা নিংঙমদবা মিৎয়েং য়েংদুনা থোরকই। মহাক্লা লম্বী চৎনা-চৎনা অসুম্না খল্লি "মীওইবা ঐখোয়সে ঙৈহাক্কী ওইজবনা তুংদা থোরক্কদবা থবক্কীদমক করিসু খন্দেদা। ঐখোয় মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি শোয়দনা মুৎখিবা তারেদো, মীয়ানচা কয়াগী লাংদা থুদুনা" অসুম লাকপনা কৈথেল পোৎলক য়ৌশিল্লকই। চাউবনা অসুম্না অমুক খল্লি 'মখোয় মপান লমদগী লাকপা মীয়ানচা কয়ানা ঐখোয়বু উশিৎলক্ত্রীবসে ঐখোয়না শুবা নোম্বা তনমনবদগী মীঙোন্দা শেল কয়া লৌদুনা য়োন্থোক্লিবসি ঐখোয়না লৌশিনজরবদি ঐখোয়সু নুংঙাই য়াইফবা ইরমদম অমদি ওইবা য়াই। চাউবনা অঙাওবা অমগী মওংগুম কোয়চৎ চৎপদু উবদা মহাকপু লুনা চান্না তৌজবী ইমা লৈমনা কৌদুনা হংই। চাউবা নঙনা ঙসাইদগী কোয়চৎ চৎতুনা মুরুম-মুরুম শোল্লিবদুবু করি লৈরগে। চাউবনা অঙাওবা অমগুম খুল্লকই, 'ঐখোয় মীতৈ হায়বসে শুবা নোম্বদা চিলহাও থীবা মী ওইরুবনা মীয়ানচা কয়ানা ঐখোয়গী থবক পূম্নমক পায়শিনখ্রে অদুনা ঐখোয় চিলহাও থীবা লৈতনা অঙম্বা থবক্তি ইশানা ইশাবু শুজরসে, মীতোপ্তা থবক শিন্নরগুমসে, 'শুসি ঐখোয়সু থবক' হায়না হৌনা লাউরম্লগা চৎখি।